# ইন্দিয়াগী হেলিকোপ্টর পাইলোটশিংদা হেলমেট মাওন্টেদ দিসপ্লে সিষ্টেম ফংলগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী দিফেন্স ফোর্সনা অথুবা মতমদা ইজরেলদা শাবা য়াম্না নৌরিবা হেলমেট মাওন্টেদ দিসপ্লে সিষ্টেম/হেলমেট পোইন্টিং সিষ্টেম ভর্জন-২ হেলিকোপ্টর পাইলোটশিংদা ফংহল্লগনি।

ইন্দিয়াগী নবরত্ন দিফেন্স পব্লিক সেক্টর য়ুনিট অমা ওইরিবা ভারত ইলেক্ট্রোনিক্স লিমিটেদ অমসুং ইজরেলগী এলভিদ সিষ্টেম লিমিটেদনা মমাঙ থাগী ২০ দগী ২৪ ফাওবা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা এরো ইন্দিয়া-২০১৯ দা টেক্নিকেল কোলাবোরেশন এগ্রীমেন্ট অমা তৌনখিবনি।

য়ানবা অদুনা ইন্দিয়ান নেভি অমসুং অতোপ্পা আর্মদ ফোর্সেসকী হেলিকোপ্টর পাইলোটশিংদা হায়রিবা টেক্নোলোজি অসি হাপ্পবা ৱারেপ্পখিবনি। ঐচ এম দি এসনা নুমিদাংদা হেলিকোপ্টর পাইলোট-শিংনা পাইবা মতমদা খ্বাইদগী নৌবা নাইট ফ্লায়িং এন্দ নাইট ফ্লায়িং গগলস্, কলর দে এন্দ নাইট দিসপ্লে, থ্রি দি সিম্বোলোজি, হেদ ট্রেক্কিং, সেন্সর অমসুং ৱেপন ক্যুয়িংগী খুদোংচাবসু লৈহনগদৌরি।

ঐচ এম দি এস/ঐস পি এসনা হেলিকোপ্টরগী ফ্লাইট অদু দিসপ্লে তৌবা ঙম্বা অমদি প্লেটফোর্ম ইনফোর্মেশন, মিশন দাটা, টার্গেট ইনফোর্মেশন লোয়ননা লো ভিজিবিলিটি লেন্দিং অমসুং টেকওফকী খুদোংচাবা য়াওরি।



য়াম্না মম্বা উবগী চাং নেম্বা মতমদা হেলিকোপ্টর পাইলোটশিং অসিদা সিষ্টেম অসিনা চাউনা কান্নবা পীগদৌরি। মিশন দাটা অমসুং টার্গেট ইনফোর্মেশন ফংহনগদৌরি।

হেদ্সঅপ- আইস আওট হায়বা কন্সেপ্ট অসিনা কোকপিট মনুংদা পাইলোটশিংনা মকোক উংদুনা অমদি লৈদুনা য়েংবগী তাঞ্জা অদু হন্থহল্লগা মখোয়গী হেলমেটতা দিসপ্লে অমা উৎলক্কদৌরিবা অদুদা মখোয়না য়াম্না কোম্না অমম্বা মতমদসু উবা চাং হেনগৎলগনি। মখোয়না পাইরিঙৈ মতমদা য়াম্না মরু ওইবা ইনফোর্মেশন- অৱাংবা, অয়াঙবা, ইঞ্জিন পর্ফোমেন্স, ৱার্নিং ইন্দিকেশন-নচিংবশিং অদু হেলমেট অদুগী দিসপ্লে সিষ্টেমনা উবা ফংগদৌরি।

অনৌবা টেক্নোলোজি অসিনা হেলিকোপ্টর পাইলোটশিং অদুদা মখোয়গী মিশন অদুদা পূক্নিং হেন্না চঙহন্দুনা তাঙ্কক তাঙ্কক্কী ওইবা সিচুয়েশন এৱ্যেরনেস অমসুং হিংনবগী মতেংসু পীবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোক্লি।

থা অসিগী ৫ দা ইজরেলগী অলবিট সিষ্টেম লিমিটেদকী মখাদা লৈবা অলবিট সিষ্টেম ওফ অমেরিকাদা চহী মঙাগী কন্ট্রেক্ট অমা য়ু এস এগী পাইলোটশিংদা কম্মন হেলমেট মাওন্টেদ দিসপ্লে (সি ঐচ এম দি) সিষ্টেম পুথোকমিন্নবগীদমক চহী মঙাগী কন্ট্রেক্ট অমা ইনখি।

সি ঐচ এম দিগী ফুল কলর ওইরবা ভর্জন অমা লৈবাক অদুগী অপূনবা এয়র ফোর্সতা লৈরিবা হেলিকোপ্টর পাইলোটশিং অদুদা হেন্না কান্নবা পীগদৌরি। হায়রিবা সিষ্টেম অসিনা নুংথিল অমসুং নুমিদাংগী মতমদা মখোয়না কোকপিট মনুংদা লৈরগা নুংথিল অমসুং নুমিদাংগী মতমদা খেন্নরকপশিং অমদি ফ্লায়টকী কন্দিশন্দা শোয়রকপা মতমদা করম্বা মফমদা য়াদবনো হায়বা খঙদোকপা ঙম্বগা লোয়ননা অচৌবা মতেং ওইগদৌরি। হায়রিবা সিষ্টেম অসি য়ু এস আর্মিগী সি ঐচ - ৪৭ এফ চিনুক হেলিকোপ্টরশিংদা অমদি য়ু ঐচ-৬০ এল এম ভি ব্লেক হোক হেলিকোপ্টর ফ্লিট অদুসু হাপকদৌরি।

# জম্মুগী গ্রেনেদ এটেকতা নহা অমা শিখ্রে মীওই ৩০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে

জম্মু, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

মমাঙ থাগী ১৪ দা পুলৱামাদা সুইসাইদ এটেক অমদা সি আর পি এফ ৪০গী থৱায় মাঙখ্রবা মতুং চয়োল অহুম লৈরবা মতুং ঙসি জম্মুদা লৈবা বস ষ্টেন্দ অমগী মনাক্তা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মশাগী চহী ১২ শুরবা নহা অমা শিখ্রে অদুগা ৩০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে।

শোক্লবা মীওই পূম্নমক হোস্পি-টালদা পুদুনা লায়েংবদা মীওই মঙাগী ফিভম লুনা লৈরি হায়না দোক্তরশিংনা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা পাউগী এজেন্সি *পি টি আই* না ফোঙদোরক-পগী মতুং ইন্না উত্তরখন্দগী হরিদ্বারদগী চহী ১৬ শুরবা মোহম্মদ শরিফ বোম মচেৎনা মথবাক্তা পান্দুনা শিখিবনি হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না গ্রেনেদ অদু বস অমসুং বস ষ্টেন্দ অদুগী মনাক্তা থল্লম্বনি। সেনিয়ার পুলিস ওফিসার মনিসকুমার সিংহনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, শোক্লবা মীওই অয়াম্বা দ্রাইভর অমদি কন্দক্টর ঙাক্তনি। অদুবু মখোয় পূম্নমক বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা বস মনুংদা তোংখিব্রা নৎত্রগা তোংখিদব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অদু হকথেংননা থেংনহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদো-রকপদা য়াম্না অহৌবা মখোল অমা তাখি। মখোয়না মদু বসকী টায়র পোকখায়বনি হায়না খল্লুবনি। অদুবু পুলিসনা মফম অদু কোয়শিল্লগা



অতোপ্পা মীওই চঙহন্দনা মশীং য়াল্লবা মীওইশিং অদু পুথোরক্তুনা এম্বুলেন্সতা হাপকৎলকপা অদুদগীদি বোম পোকখায়বনি হায়বা খঙবনি হায়রি।

পনবা য়াই, ঙসিগী টেরোরিষ্টনা চথরকখিবা গ্রেনেদ এটেক অদু মমাঙ চহীগী মে থাদগী হৌরগা অহুম্লকশুবা গ্রেনেদ এটেকনি। পুলিসকী অহেনবা পর্সনেলশিংনা স্নাইপর দোগশিং অমদি ফোরেন্সিক্কী এক্সপর্ট চঙশিনখি লোয়ননা অকোয়বদা এটেক তৌরম্বা মীওই অদুবু ফানবা থি-হুম্বগী থবক পায়খৎলি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পুলিসনা লৌখৎপা য়াবা পাউ পূম্নমক লৌখৎতুনা মরাল লৈরবশিং অদুবু চৈরাক পীনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী এটেক অদু ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সনা পাকিস্তানগী বালাকোটতা লৈবা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী অচৌবা টেরোরিষ্ট ট্রেনিং কেম্পশিং ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী জেটশিংনা থুগায়খিবা নুমিৎ অদুগী মতুং চয়োল অমা লৈরগা বস ষ্টেন্দগী বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবনি।

ফেব্রুৱারি ১৪গী সুইসাইদ এটেক অদু জাইস-ঈ-মোহম্মদনা তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকচবা লৈখ্রবনি। য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা পাউ অমদনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী মরু লুচিংবশিং তকথোকপা লোইখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা ঙসি বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা, জলন্ধর গ্রেনেদ এটেকতা চেন্নখিবা মীওইশিং নেশনেল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সিনা থিজিনবদা পুলৱামাগী অৱান্তিপুরা মফমদগী দাটসারা মনাক্তগী অমির নাজির মিরবু ফাখিবনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পঞ্জাবকী জলন্ধরগী মাকসুদন পুলিস ষ্টেশনগী মনাক্তা বোম মরি পোখায়হন্দুনা মীওই অহুম শোকহনখিবনি।

## অমরনাঠ যাত্রা জুলাই ১দগী নুমিৎ ৪৬ নি চথরগনি

জম্মু, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

চহী খূদীংগী পাঙথোকপা অমরনাঠ যাত্রা জুলাই ১দগী হৌরগা নুমিৎ ৪৬ নি চুপ্পা চথরগনি হায়না জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী গভর্ণর সৈত্যপাল মালিকনা লুচিংবা ঙসি রাজ ভৱন্দা পাঙথোকখিবা শ্রী অমরনাঠ জী শ্রাইন বোর্দ মীফম অমনা ফোঙদোকখিবনি।

বোর্দ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙ-দোরকপা ৱারোল অমদা যাত্রা অদু হৌগদবা নুমিৎ অমদি অপূনবা নুমিৎ অদুশ্রী শ্রী রবিসঙ্কর কম্মিটিনা পীরকপা রিকম্মন্দেশনদগী লৌখৎখিবনি। হিন্দু কেলেন্দরগী মতুং ইন্না জুলাই ১ অসি মাসিক শিৱাতি তাবনি অদুগা লোইশিনগদবা নুমিৎ ওগষ্ট ১৫না শ্রবন পুর্ণিমা (রক্ষা বন্ধন) ওইরি।

যাত্রা অসিগী লম্বেলশিং অদুদা নোংমদা লাইনিংবা ৭,৫০০ চৎহন-গদৌরি। মসিগী মনুংদা হেলিকোপ্টর তোংদুনা লাকপা লাইনিংবশিংগী মশীংদি য়াওদে। লাইনিংবশিং অসি মাঙজৌননা রেজিষ্ট্রেশন তৌগদবনি। মরম অদুনা পঞ্জাব নেশনেল বেঙ্ক, জম্মু অমসুং কাশ্মির বেঙ্ক অমসুং য়েস বেঙ্ককী মশক খঙদোক্লবা ব্রাঞ্চ ৪৪০ না লাইনিংবশিংনা রেজিষ্টার তৌবা য়াহনগদৌরি। রেজিষ্টার তৌরবা মীওইশিং অদুনা বেঙ্কশিং অদুগী খূথাংদা অকক্লবা মতম অমসুং লম্বেলশিং অদু য়াওবা যাত্রা পর্মিট অমা শিন্নগদৌরি। যাত্রা অসি মশাগী চহী ১৩ শুদ্রিবা অমসুং চহী ৭৫ হেল্লবা মীওইশিং য়াওবা য়ারোই হায়রি।

## নুমিৎ ৩/৪নিগী মনুংদা জে ঈ এমনা এটেক চথররক্কদৌরিঃ ইন্টলিজেন্স

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ান ইন্টলিজেন্স এজেন্সি-শিংগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ৩/৪নি অসিদা পাকিস্তান্দা বেজ তৌবা টেরোরিষ্ট লুপ জাইস-ঈ-মোহম্মদনা খা থংবা কাশ্মিরদা এটেক চথরকপা য়াই হায়না চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখ্রে।

ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা, সাওথ কাশ্মিরগী গাজিগুন অমসুং অমরনাঠতা আই ঈ দিগী এটেক চথবা য়ানা লৈরি। এটেকশিং অদু পুলৱামাদা হুরাল্লকপা এস য়ু ভি অমা শীজিন্নদুনা মদুদা আই ঈ দি হাপচিল্লগা মখা তানা এটেক চথবা য়ানা লৈরি।

ঙসি জম্মুদা বোম পোকখায়বদা নহা অমগা মীওই ৩২ শোকহনখিবা অদু হিজবুল মুজাহিদনগী লুপ্পা পাঙথোকপনি। লোয়ননা মদুদা চেন্নবা মীওই অমা জম্মু অমসুং কাশ্মির পুলিস পর্সনেলশিংনা সি সি টি ভি কেমেরাগী মতেংনা বোম পোকখায়খ্রবা মতুং পূং খরা লৈরগা ফারে হায়না থেংনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

থৌদোক অদু জম্মুগী মী য়াম্না চিনবা বস ষ্টেশন অমদা থোকখিবনি। বোম অদু হিজবুল মুজাহিদিনগী টেরোরিষ্ট অমনা বস অমসুং ষ্টেন্দ অমগী কারক্তা থল্লম্বদা পোকখায়-রকপনি হায়রি।

বোমগী এটেক অদু পুলৱামাদা দিষ্ট্রিক্তা সি আর পি এফ পর্সনেল ৪০ হাৎখিবা টেরর এটেক অদুগী মতুং চয়োল অহুম লৈরগা তৌরকখিবনি হায়রি।

# পি চিদম্বরমনা রাফেল ফায়টর জেট লৈখিবা দীলগী দোক্যুমেন্টশিং পব্লিশ তৌনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লুচিংবা পি চিদম্বরমনা ঙসি লৈঙাক্না রাফেল জেট এয়রক্রাফ্ট লৈবগী দীল অদুগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৯গী মখাদা মীয়ামগী ফ্রীদম ওফ স্পীচ এন্দ এক্সপ্রেসনগা মরী লৈননা পব্লিশ তৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



পি চিদম্বরমনা নীংশিংহন্দুনা কুমজা ১৯৭১ দা য়ু এস সুপ্রিম কোর্টনা পেন্টাগোনগী চে-চাং পব্লিশ তৌহনখিবা অদুনা চপ চাবা খুদম ওইদুনা এটোর্নি জেনরেলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা মেদিয়ানা 'সেক্রেট দোক্যুমেন্ট'শিং পব্লিশ তৌবা য়ারোই হায়বগী চপ চাবা পাউখুম ওইরি।

পি চিদম্বরমনা মহাক্কী ট্যুটর একাওন্টতা ফোঙদোকখিবদা, রাফেল দীলগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পব্লিশ তৌবদা সপোর্ট তৌই। এটোর্নি জেনরেলনা ফোঙদোরকখিবদা, চে-চাংশিং অদু হুরানখিবনি হায়বদু কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৯দা অদুমকয়াওদুনা মীয়াম্না দীল অদু খঙবা য়াবগী রাইট লৈ।

কুমজা ১৯৭১গী জুন ৩০ দা য়ু এস এগী সুপ্রিম কোর্টনা রিচার্দ নিক্সননা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতমদা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা পাউচে অনী- 'দি ন্যু য়োর্ক টাইম্স্' অমসুং 'দি ৱাশিংটন পোষ্ট' না ভিএটনাম লানগী টোপ সেক্রেট হিষ্টরি অদু পব্লিশ তৌবা য়ারোই হায়না এদমিনিষ্ট্রেশন্না ফোঙদোরকপা অদু সুপ্রিম কোর্টনা কক্তুনা ফোঙহনখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈঙাক্না সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদো-রকখিবদা, দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদগী রাফেল ফায়টর জেট লৈবগী দীলগা মরী লৈনবা চে-চাং পূম্নমক হুরানখ্রে হায়রকখিবনি। লোয়ননা চে-চাং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা পাউচে 'দি হিন্দু' না আর্টিকল ফোঙদোরকপা অদুগী মথক্তা য়ানীংদবা উৎতুনা খবর থিংজিনবগী ৱাফম লাকখিবনি।

এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা চিফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা পব্লিক দোমেন্টতা রাফেল দীলগী চে-চাং পুথোকপা অদু লোগী মতুং ইন্না মরাল লৈবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা এদিটর গীল্ড্স ওফ ইন্দিয়ানা এটোর্নি জেনরেলগী ৱারোল অদুবু কন্দেম তৌদুনা মেদিয়াদা কিহল্লকপা অদু অরানবা খোঙথাংনি। মেদিয়াগী ফ্রীদম অমসুং এক্সপ্রেশন্দা শীংনবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মরক অসিদা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা রাফেল দীলগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা শেঙ্গা-থুমজা তৌবা অমদি মীচঙ মীখায় নাইবগী মরাল শীদুনা লাকখিনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা ঙসি রাফেল দীলগী মতাংদা নরেন্দ্র মোদিবু প্রোজিক্যুশন তৌগদবনি হায়না ফোঙদোরকপা ৱারোল অদুগী পাউখুমদা য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসনা লৈঙাক অসিগী মনুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংবু মীয়ামদা লান্না উহনবগী থবক পায়খৎলে হায়নসু মরাল শীখি।

রাহুল গান্ধিনা করিগীদমক্তা রাফেল দীলগী মতাংদা পাকিস্তান্দগী সর্টিফিকেট লৌবা পাল্লিবনো। মহাক্না হায়রিবা ৱাফম খূদীংমক অরানবনি। ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সতা মহাক্না থাজবা থমদে হায়খি।

# কোংগ্রেস এম এল এ উমেশ য়াদব বি জে পিদা য়াওখ্রে

বেঙ্গলুরু, মার্চ ০৬ (এজেন্সী):

কর্নাকাগী এম এল এ উমেশ য়াদব নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা কোংগ্রেস পার্টিদগী রিজাইন তৌখ্রবা ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রে।

কর্নাটকাগী বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট বি এস য়েদুরাপ্পা, মমাঙদা চিফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জগদিস সেটর অমসুং অতোপ্পা লুচিংবশিংগী মমাঙদা হান্না কোংগ্রেস এম এল এ ওইরম্বা উমেশ য়াদব বি জে পিদা য়াওবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

উমেশ য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক নুংঙাইবা ফাওই লোয়ননা বি জে পি য়াওবদা চাউথোকচবসু ফাওই হায়খি। মহাক্না কালাবুরগী কন্সটিট্যু-য়েন্সিদা লৈবা মীয়ামদা বি জে পিবু মায় পাকহন্দুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমুক ওইহনসি হায়না আপীল তৌখি।

নীংশিংবা য়াই, উমেশ য়াদব কালাবুরগী দিষ্ট্রিক্তা লৈবা চিনচোলি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ ওইনা অনীরক ভোট কারকপনি। কালাবুরগী লোক সভা সিট অদু বি জে পিগী মায়কৈদগী উমেশ য়াদবনা মীরেপ ওইবা য়াবগী থাজবা লৈ।

অমরোমদা, হায়রিবা কন্সটিট্যু-য়েন্সি অদুদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী মালিকঅরুগন খারগেনা মীরেপ ওইগদৌরি। পনবা য়াই, খারগে কোংগ্রেস লুচিংবা অমা ওইনা গুলবরগা কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী এম এল এ ৯লক ওইবা ঙমখ্রবনি। লোয়ননা এম পি অনীরক ওইখ্রবনি।



নৌনা বি জে পিদা চঙলক্লবা উমেশ য়াদবনা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াই হায়না পানরিবা অসি চয়েৎনবা খরদি লৈরি। মরমদি মহাক্না কর্নাটকা এসেমব্লিদা পীশিনখিবা রেজিগনেশন অদু স্পীকরনা এসেপ্ট তৌদ্রে। লোয়ননা মহাকপু দিসক্বালিফায় তৌনবগী পিটিশন অমসু লোইশিন্দনা লৈরিবনি।

কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মেম্বর অমা ওইরিবা কর্নাটকাগী হান্না চিফ মিনিষ্টর ওইরল্লবা সিদারামায়ানা ফোঙদোরকপদা, দিসক্বালিফিকেশনগী পিটিশন অদুগী রাই অমা পীদ্রিবা ফাওবা মহাক রিজাইন তৌবা য়াদবনি হায়খি।

উমেশ য়াদব কালাবুরগী দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মীশিং য়াম্বা লম্বানি কম্যুনিটিগী মীওই অমনি। মহাক কর্নাটকা কোংগ্রেস পার্টিদগী এম এল এ মরি পার্টি অদু থাদোক্তুনা চৎখিবা মীওই অমনি। অতোপ্পা এম এল এ অহুম অদুদি- রামেশ জারকিহোলি, মহেশ কামিটালি অমসুং বি নাগেন্দ্রনি। মখোয় মরিমক জানুৱারি থাগী ১৮ অমসুং ফেব্রুৱারি ৮ দা কোংগ্রেস লেজিসলেটিভ পার্টিগী মীফম কৌবদা য়াওখিদবনি।

কোংগ্রেস পার্টিদগী চেনখ্রবা মতুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী প্রসিদেন্ট সিদারমায়ানা কর্নাটকা এসেমব্লিগী স্পীকরদা মখোয়গী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনগদৌরি। ফেব্রুৱারি ১১ দা কোংগ্রেসনা এন্টি-দিফেক্সন লোগী মতুং ইন্না এম এল এ মরিবু দিসক্বালিফায় তৌনবা পিটিশন অমা থাগৎলকখিবনি। য়াদবনা কোংগ্রেস থাদোকখিবা অদুগী অচৌবা মরমদি মালিক অর্জুন খারগা অমসুং মচানুপা প্রিয়াং খারগেনা পাৱর হেন্না শীজিন্নবদগীনি হায়রি।

# চহী মাপলগী নুপীমচা অমনা চেন্নাই পুলিসতা লুপা লাক্ষ ১.৫ দোনেট তৌখ্রে



চেন্নাই, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

মশাগী চহী মাপলদা ঙাইরিবী স্রিহিথানা মহাক্কী বর্থডেগী ফন্দদগী চেন্নাই পুলিসতা ক্লোস সর্কুট টেলিভিজন (সি সি টি ভি) কেমেরা ৩০ লৈনবা লুপা ১,৫০,০০০ দোনেট তৌখ্রে।

ক্লাস থ্রীদমক তম্লিবী এস স্রিহিথানা মহাক্কী অপোকপনা মহাক্কী বর্থডে সেলেব্রেট তৌনবা তুংশিনখিবা শেনফম অদু মরাল লৈবা মীওইশিং ফানবা চেন্নাই পুলিসনা সি সি টি ভি কেমেরা খিনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফম অদু তাবদগী দোনেট তৌখিবনি।

পনবা য়াই, চেন্নাই পুলিসকী মায়কৈদগী 'থর্দ আই' দ্রাইভ অমা পায়খৎলকপনি। চেন্নাই ট্রাফিক পুলিসকী দ্রাইভ অদুনা ট্রাফিক্কী সেফটি অমসুং মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা পাঙ্গল হেনগৎনবগী-দমক সি সি টি ভি কেমেরাগী মতেং তঙায় ফদনা লাকই হায়বা ৱাখল্লোন অদুনা নুপীমচা অদুগী পূক্নিং চিংশিনখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না মহাক্কী অপোকপগী ওফিসতা পুলিসনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অমদা তাহৌবনি। মদুগী মহাক্না মহাক্কী বর্থডে সেলেব্রেশন তৌবগী ফন্দ অদু দোনেট তৌবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

স্রিহিথাবু চেন্নাই সিটি পুলিস কমিশ্নর এ কে বিশ্বনাথনন্না কৌদুনা সি সি টি ভি কেমেরা খিনবা হৌবগী থৌরম অমদা মনা পীখি। পাউ অসিনা টামিল নাডু লৈঙাক্তা অনৌবা থৌনা অমা হাপকদৌরি।

'দি হিন্দু' পাউচেনা থা অসিগী অঙনবদা চেন্নাই সিটিগী জঙ্কশন ৪০দা কুমজা ২০১১ দা সি সি টি ভি কেমেরা খিন্নবা লুপা ক্রোর ২.৬৯ মাঙখি হায়বগী রিপোর্ট অদুগী মতুংদা মীয়াম্না এৱ্যের ওইবা হেনগৎলক্তুনা মতেং পাংনরকপনি।

# হোম মিনিষ্ট্রিনা ইনভেষ্টিগেশন্দা অহেনবা তৌখিবগীদমক সি বি আই ওফিসার মাপল মনা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সি বি আই)গী ওফিসার মাপল এজেন্সী অসিগী অহানবা ওইনা ইনভেষ্টি-গেশনগী লম্দা অতোপ্পা ওফিসার-শিংদগী অহেনবা থবক তৌখিবগী-দমক মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

লৈবাক অসি শীনবা থুংনা লৈরিবা পুলিস ওফিসার ১১দা মিনিষ্ট্রি অসিনা অহানবা ওইনা মনাশিং অসি য়েন্থোকপা সি বি আইদগী মাপল য়াওরকপনি। সি বি আইগী ওফিসার মাপল অদুদি দি এস পি ভেলাদুরাই নবরাজু, সিমা পাহুজা, রোসন লাল য়াদব, রাম অবতার য়াদব, রাজেশ কুমার অমদি কে প্রদিপকুমারনি। অদুগা ইন্সপেক্টর চন্দ্রকান্ত বিথাল পুজারি, গিরিসকুমার পথান অমসুং রামকুমার সুকলানি।

সি বি আইগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা মেদল অদু পীবগী মরু ওইবা পান্দমদি ষ্টেট পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সিশিংনা লৈবাক অসিদা ক্রাইম ইনভেষ্টিগেশনগী লম্দা প্রোফেশ-নেলিজমগী থাক্তা হান্না লৈরিবা থাক্তগী হেনগৎনবনি হায়খি।

অতোপ্পা পাউ অমদা, প্রসাদ ভুষননা সি বি আইগী দাইরেক্টর খনবগী মতাংদা থারকখিবা পি আই এল লৌথোকখ্রে। লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লোয়র কে কে বেনুগোপালনা সেনিয়ার সুপ্রিম কোর্ট এদভোকেট প্রসান্ত ভুষননা সি বি আইগী ইন্টরিম দিরেক্টর ওইনা এম নাগেশ্বর রাওবু খনখিবা অদু লৈঙাক্না শাশিন্নবা চে চাং হাপ্লগা খনখিবনি হায়খিবা ৱারোলশিং অদু মশামক্না চাওনা শোয়খিবনি হায়না হায়জরকপদগী এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা কন্টেম্প পিটিশন অদু ভুষনগী মথক্তগী লৌথোকখিবনি।



এদভোকেট প্রসান্ত ভুষননা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, নাগেশ্বর রাওবু সি বি আইগী ইন্টরিম দিরেক্টর ওইনা খনখিবা অদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শাশিন্নবা চে-চাং অমা হায় পাৱর সেলেক্সন কম্মিটিনা থাগৎ-খিবনি হায়না ট্রিট তৌখিবনি।

প্রসান্ত ভুষনবু রিপ্রজেন্ট তৌখিবা লোয়র দুসান্ত দেবনা সুপ্রিম কোর্টতা মহাক্কী কলীগ অদুগী মহুৎ শিন্দুনা ট্যুটর একাওন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিং অদু শোয়খিবনি হায়খিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা এটোর্নি জেনরেলনা কন্টেম্প থারকখিবা অদু লৌথোক-পদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

ভেনুগোপালনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না মমাঙদা প্রসান্ত ভুষনগী মথক্তা চৈরাক অমত্তা পীবা পামদে হায়বা ৱাফম অদু লেংদনা থম্লি। সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা হৌজিক নৈনগদৌরিবা ৱাফমদি মীওই অমনা মীয়ামগী ওপিনিয়ন হোংহন্নবগীদমক কোর্টপু ক্রিটিসাইজ তৌবা য়াব্রা নৎত্রগা য়াদব্রা হায়বদু ওইরি।